**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 21-09.2024)**

**নাগা (এল)ঃ** লিয়াংমৈ নাগা মীয়ামনা মতম কুইনদগী তকদুনা লাকপা থবকশিং থবক্তা ওন্থোকপগীদমক লিয়াংমৈ নাগা কাউন্সিলনা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

ইম্ফালদা ঙসি পাডমীশিংগা উন্নবা অমদা লিয়াংমৈ নাগা কাউন্সিল মনিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট-উইসোংবু চরানামৈনা হায়রি-লিয়াংমৈ নাগাশিংনা তাবা মফমশিংদা মুখ্য মন্ত্রি মশানা লাকপা মতমদা থবক ওইনা পাঙথোক্কনি হায়না পীরম্বা থাজবশিং মতম চানা থবক্তা ওন্থোকপীরকখি। মসিগী মনুং চন্না মখানদা কৈথেল অমা শাবীখি অমদি তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়াগী কান্নবশিং ফংহনবীখি। মসিগী মথক্তা লিয়াংমৈ নাগাশিংনা তাবা মফমশিংদা লম্বী থোংগী ফিভম ফগৎহন্নবা থৌরাং কয়াসু পায়খৎপীখি। মমাংগী মুখ্য মন্ত্রিশিংগী মনুংদা শ্রী বিরেন সিংহনা লিয়াংমৈ নাগা মীয়ামগী পুকিং অমদি পামজবশিং খঙনা থবক্তা ওন্থোকপীরকপদগীমক্তা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্ব বিরেন সিংহবুসু থাগৎপা ফোংদোকখি।

**নোং (এল)ঃ** মনিপুরদা ঙসি অখাক অরাও অমদি নুংশিৎ য়াওনা চুখিবা নোংনা জিলা খরদা য়ুম কৈ য়াওনা অমাং অতা থোকহনখ্রে।

থৌবাল জিলাগী ৱাংজিং অমদি কাইরেনবিখোকনচিংবা মফমশিংদা অকনবা নুংশিৎনা য়ুম-কৈ কয়া হুমদোকখি। নোনে জিলাদসু অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা মফম কয়াদা চাউনা অমাং অতা থোকখি। নোং নুংশিৎ অদুনা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লফু অমদি হৈ-রা থাবা ফার্ম কয়া অমাং অতা থোকহল্লে। য়ুমথক কয়া হুমদোকখ্রে, ইলেক্ট্রিক্ট পোল কয়া তেক্কুনা মৈসু

ফংখিদ্রে। ৱা অমদি উপাল কয়া মরু ফুকলে। নোং অমসুং নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা লৌ লোকপা য়ারবা লৌফম কয়াদসু অমাং অতা থোকহল্লে।

অমরোমদা, ঙরাং সেলসিয়স দিগ্রী ৪২.১৬ য়ৌনা শাদুনা খ্বাইদগী শাবা নুমিৎ ওইখিবা নোনে জিলাদা ঙসিগী নোংলৈ নুংশিৎ অদুগী মতুংদা সেলসিয়স দিগ্রী ২৫ দা হন্থরকখ্রে। জিলা অসিগী ওইনা নোংজ্গী চাং মিলিমিটর ৩ য়ৌখি। সেকেন্দ অমদা মিটর ১৩ গী চাং য়ৌনা নুংশিৎ কন্না শিৎখি।

ইম্ফালগী মফম অয়াম্বদা ঙসি নুংথিল অখাক-অরাও য়াওনা ময়াই ওইরপ্পা চাংদা নোং চুখি। নোং চুবা অসিনা মরম ওইদুনা শাবগী চাং হন্থরক্তুনা ইম্ফালদা ঙসি সেলসিয়স দিগ্রী ২৪ দা লৈখি।

মেট ওফিসকী পাউনা হায়-হয়েংসু মনিপুরগী মফম খরদা ময়াই ওইরপ্পা চাং য়ৌনা অখাক অরাও য়াওনা নোং চুরবা য়াই।

**ঙা (এল)ঃ** রাজ্যগী ফিসরিজ দিপার্টমেন্টনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা পুখ্রিশিংদা ঙা মচাশিং থাদখ্রে। মদু দিপার্টমেন্ট অসিনা চত্থরক্লিবা ঙা মচা থাদবগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবনি।

ঙসি লিলোং চজিং পুখ্রি অচৌবা, ক্বাকৈথেল লাইশ্রম লৈকাই, লমলোং লৈকাই, লুক্রম লৈরক, ককৱা পুখ্রি অচৌবা, চনম পুখ্রি অমসুং ৱাইখোম লৈকাই পুখ্রিনচিংবদা ঙা মচা লিশিং কয়ামরুম থাদখিবনি।

**বন্দ (এল)ঃ** ইং কুমজা ১৯৪৯ গী সেপ্তেম্বর ২১ দা শিল্লোংদা মহারাজ বুধাচন্দ্রনা ভারত সরকারগা মার্জর এগ্রীমেন্ট সহি তৌনখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা নেসনেল রিভোলুসনরি ফ্রন্ট মণিপুর (এন.আর.এফ.এম) না কৌখিবা পুং ১৮ গী মনিপুর বন্দনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা থোকখি।

লম্বীদা লন্নাই গাড়ি খরা নত্তনা পেসেঞ্জর পুবা গাড়িশিং ইচেন চেন্নখিদে।

মহৈলোইশঙ য়াওনা কৈথেল অমদি দুকানশিং থোং লোন্নখি।

**স্বার্চতা (এল)ঃ** স্বার্চত ভারত অভিয়ান কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি খুন্দ্রাকপমগী নেচর কিয়োর হোস্পিতালদগী খুন্দ্রাকপম ময়াই লৈকাই ফাওবা ফাওবদা লম-তু শেংখ্রে।

লম-তু শেংবগী থবক অদু লাঞ্জিংদা লৈবা সি.আর.পি.এফকী দি.আই.জি. আর. দুইদাং অমসুং কম্মান্দেন্ট-কুঞ্জারানিগী মীৎয়েং মখাদা লমদম অদুগী ক্লব অনিগা খুৎশমদুনা শিনখিবনি।

স্বার্চত হি-সেভা কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি তমেংলোংদা লমশাং লমজেল অমা পাঙথোকখ্রে। লমজেল অদু জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ডা: এল. অংশিম দাংসাৱানা দিষ্ট্রিক্ট হেদক্কাটরসতা লৈবা হাইপৌ জাদোনং পার্কতগী লমথাখি। তুংদা, মঙাশুবা মনিপুর রাইফলসকী গেট ফাওবা চেল্লুরবা মতুংদা অমুক হন্না হান্নগী মফমদা থুংলখি। লমজেল অদু লু-নানবা অমসুং অকোইবগী ফিভম ঙাক শেনবগী মতাংদা মীয়ামবু ৱাখল তাহন্নবা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী এস.পি. য়াওনা অতৈ মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়া শরুক য়াখি।

অমোৎ-অকায় লৈতবা ভারত অমা ওইহল্লসি হায়বা হীরমদা পাঙথোক্লিবা স্বাচিতা হি-সেভা ২০২৪ গী শরুক অমা ওইনা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট পুলিস চান্দেলনা শিনদুনা পাক শন্না অমোৎ অকায় শেংদোকখ্রে। চান্দেলগী মিণি সেক্রেটরিয়েটতগী হৌরগা চান্দেল পুলিস ষ্টেসন ফাওবদা লৈবা অমোৎ-অকায় শেংদোকখিবনি।

**পোসান(এল)ঃ** রাস্ত্রিয়া পোসান মাগী থৌরম ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চনবা খুম্বোং ব্লোক্তা পাঙথোকখ্রে।

খুরখুল সেভোক লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোল, সলাম পি.ঐচ.সি. অমসুং

লমশাংদসু পোসান মাগী থৌরমশিং পাঙথোকখি।

**অলজাইমর (এল)ঃ** মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু ৱাৰ্ল্ড অলজাইমরস ডে থৌরম ঙসি পাঙথোকখি।

জেনিমসকী সাইকিয়াত্রি দিপার্টমেন্টকা ইন্দিয়ান সাইকিয়াত্রিক সোসাইতি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকা খুৎশমদুনা মণিপুরদসু পালন থৌরম অসি জেনিমসতা পাঙথোকখি। পালন থৌরম অসিগী কুমশি চহিগী থিমদি-টাইম টু এক্ট ওন দিমেন্সিয়া, টাইম টু এক্ট ওন অলজাইমরস হায়বসিনি।

নেসনেল হেলথ মীসন মনিপুরগী নেসনেল মেন্টেল হেলথ প্রোগ্রামদা ষ্টেট নোদেল ওফিসার ওইরিবী ডা: অথোকপম রানিতা দেবীনা অকাশবানি ইম্ফালদা হায়-ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসনগী মতুং ইন্না মালেমগী ওইনা দিমেন্সিয়ানা নাবা মীওই মিল্লিয়ন ৫৫ রোম লৈ হায়রি। লায়না অসিনা মতম চানা লায়েংহৌরবদি ফবগী চাং য়ামা ৱাংই। লায়না অসি চহি ৬৫ গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংদনা হেন্না নাগনবা মরমনা হায়রিবা চহি তাঙ্কক অসি য়ৌরক্লবদি তোঙান তোঙানবা শজেলশিং তৌদুনা লায়না অসি নারক্তনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

**কেম্প (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী য়াম্বেম মথক লৈকাইদা লৈবা টেম্পরেরি সেলতর হোমদা ঙসি সাইকিয়াত্রিক হেলথ কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

রিমসকী সাইকিয়াত্রিক দিপার্টমেন্ট অমদি এস.দি.সি. তুলিহলনা পুন্না খুৎশমদুনা শিনবা হেলথ কেম্প অদুদা মীওই ১০০ রোম লায়েংখি অমদি হিদাক লাংথকশিংসু লেমা য়েন্থোকখি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলস এক্স সার্ভিসমেন রেল্লি অমা ঙসি ২৮ শুবা সেক্তর অসাম রাইফলসকী ককচিং গেরিসনদা পাঙথোকখ্রে। রেল্লি অদুদা অসাম রাইফলসকী দাইরেক্তর জেনরেল-লেফটনেন্ট জেনরেল-বিকাশ লাখেরা,

থবক্তগী পোত্থারবা লেফটনেন্ট জেনরেল-কোন্সম হিমালয় অমসুং মকোক থোংবা ওফিসার কয়া শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা এক্স সার্ভিসমেনশিংদা হুইল চেয়ার, হিয়ারিং এদ, চৈশু অমসুং ব্লাংকেটনচিংবা য়েন্থোকখি। এক্স সার্ভিসমেন, লুখ্রাবী অমসুং ৱার ভেটরান য়াওনা পুন্না মীওই ৪০০ না থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। রেল্লি অদুদা তোঙান তোঙানবা বেঙ্কশিং, ফিসরিজ, সোসিয়েল ৱেলফিয়ার, হোর্টিকলচর, এনিম্যেল হসবেন্দরি অমসুং মেদিকেল দিপার্টমেন্টনচিংবনা স্তোলশিং হাংদুনা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী কান্নবা ফংহন্নবা হোৎনখি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলস-নোনে বটালিয়ননা শিনদুনা ঙসি বটালিয়ন অসিদা লৈবা ৱার মেমোরিএলদা মথৌ পাঙথোকপদা লৈখিদ্রবা লেঞ্চ নাইক অমা অমসুং রাইফলমেন অনিগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখে।

**লিগেল (এল)ঃ** মনিপুর লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতিগী মখাদা দিষ্ট্রিট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতি-চান্দেলনা শিনদুনা ঙসি তেংনৌপল জিলাগী রিলিফ কেম্পশিংদা লিগেল এৱারনেস কপ ইন্টরেক্টিব প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা আইনগী লমদা খঙ হৈরবা মীওই কয়ানা ৱা ঙাংখি।

**নরা(এল)ঃ** মনিপুর কনবা নুমিৎ থৌরম ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী চলৌদা লৈবা ইরাবত পার্কতা পাঙথোকখ্রে। ইরাবত সেলেব্রেসন কমিতি অমসুং সি.পি.আই. লমলাই লোকেল কাউন্সিলনা খুৎশমদুনা পাঙথোকখিবা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মীয়ামনা পুদোংবম ঘতনাগী নীংশিং য়ুম্বীদগী হৌরগা চলৌদা লৈবা ইরাবত পার্ক ফাওবা খোঙচৎ অমা চৎখি।

থৌরমগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা মনিপুর ষ্টেট কাউন্সিল ইরাবত সেলেব্রেসন কমিতিগী প্রসিদেন্ট-ডা: এম. নরানা হায়-মনিপুরগী হৌজিক

ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা ইরাবতকী ফজরবা ৱাখল্লোনশিং নিংশিংদুনা থবক তৌবগী তঙাইফদবা লাক্লি। কুমজা ১৯৪৮ দা নোর্থ ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়ার প্রোভিন্স অমা শেমবা হোৎনরকপদা ইরাবতনা লুচিংদুনা য়ানিংদবা ফোংদোকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা সেপ্তেম্বর ২১ দা লমলাই মায়কৈরোমদগী লাকখিবা মীয়ামগী খোঙচৎ অমা পুদোংবমদা পুলিসনা থিংনবা হোৎনবদা থোকখিবা থৌদোক অদুবু নীংশিংদুনা মনিপুর কনবা নুমিৎ অসি পাঙথোকপনি।

**লৌসাল (এল)ঃ** লৌমী শিন্মী অপুন লুপ (লৌসাল) না শিনদুনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী পুংদোংবমদা লৈবা লৌমীগী নীংশিং য়ুম্বীদা মীয়ামনা লৈ কৎতুনা লৌমী নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা লৌমীগী মীফম অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া সরকারদা তকশিন্নবা ৱারেপখি। মদুগী মনুংদা-মতম মতমগী ওইনা লৌমী মীয়ামদা পীফম থোকপা মরু-মরাংশিং মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা মতম চানা পীবিবা, মনিপুরগী ইরাংনা মরম ওইদুনা লৌ উবা য়াদনা লৈরিবা লৌফমশিংগী ৱাৎলিবা ক্ষেতিপুরোনশিং অথুবা মতমদা পীথোকপা অমসুং লৌফম কন্নবা আইন মপুং ফানা রাজ্য অসিদা চৎনহন্নবা হায়বা ৱাফমশিং য়াওরি।

**লাল্লুপ (এল)ঃ** লোইয়ালম অপুনবা লৌমী লুপনা হায়রি-হৌজিক লৈরিবা মনিপুরগী শক্তম অসি ইরাবতনা পামজরম্বা শক্তম অদুগী ওন্ন-তৈনবা ফিভমনি।

লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-হিজম ইরাবত অসি থকশি খাসি নায়বা মরৈবাক মরমদমবু নুংশিজবা অমসুং মীয়ামগীদমক খঞ্জবা মনিপুরগী মশক নাইবা লুচিংবা অমনি। হৌজিক রাজ্য অসিদা ওইরিবা ফিভম অসিদা ইরাবতকী ৱাখল্লোনশিং মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবগী পান্দমদা লমদম অসিগী লোইজিং লোইয়াশিংদা চৎতুনা থৌরম কয়া লুপ অসিনা পাঙথোক্লি। ঙসিসু

ইরৈবাক্কী শক্তমদা শিংনরকখিবা নুমিৎ হায়না ইম্ফাল ইষ্টকী লৌসাংখোং ময়াই লৈকাইদা লৈবা কম্যুনিতি হোলদা থৌরম পাঙথোকখি।

**দিল্লিঃ** আম আদমি পার্টিগী লুচিংবী-অতিসি মারলেনা সিংহ, ঙসি দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

দিল্লিগী উপ রাজ্যপাল-ভি.কে. সক্সেনানা অতিসি অমসুং মহাক্কী মন্ত্রি-মন্ দলবু ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা দিল্লিগী রাজ নিৱাজতা থবক পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি। মুখ্য মন্ত্রি-অতিসিগা লোয়ননা ৱাশক লৌখিবা কেবিনেট মন্ত্রিশিং অদুদি-এ.এ.পিগী লুচিংবা গোপাল রাই, কাইলাস ঘেলোট, সৌরফ ভরদৱাজ, ইমরান হুসেন অমসুং মুকেশ অলাৱাটনি। অতিসি দিল্লিগী কালকাজি বিধান সভা কেন্দ্রদগী এম.এল.এ. ওইনা কারকখিবনি। মহাকা দিল্লিগী অহুমশুবা নুপী মুখ্য মন্ত্রিনি। মহাক্কী মমাংদা হান্না মুখ্য মন্ত্রি ওইরম্বশিং অদুদি-বি.জে.পিগী সুসমা স্বরাজ অমসুং কংগ্রেসকী সৈলা দিক্সিৎনি।

**ইয়ারঃ** হৌজিক হৌজিক ভাইস চীফ ওফ দ ইয়ার ষ্টাফ ওইরিবা ইয়ার মার্সেল-অমরপ্রিত সিংহনা মথংগী চীফ ওফ দা ইয়ার ষ্টাফ ওইরগনি।

হৌজিক হৌজিক ইয়ার চীফ মার্সেল ওইরিবা-ভিবেক রাম চৌধুরিগী থবক পায়বগী মতম লোয়রবা মতুং থা অসিগী ৩০ গী নুমিৎয়ুংবা মতুংদগী শ্রী সিংহনা ফম অসি পুবা হৌরগনি। শ্রী অমরপ্রিত সিংহ ইং ১৯৮৪ গী দিসেম্বরদা ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সতা ফাইটর পাইলোট ষ্ট্রিমদা কম্মিসন তৌরকখিবনি। শাংলবা মহাক্কী চহি ৪০ গী সার্ভিসতা তোঙান তোঙানবা শিংথানিংঙাহ ওইরবা থবক কয়া পাঙথোকপদা নত্তনা ফম কয়া পায়রকখ্রে।

**মুরমুঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা ন্যু দিল্লিদা লৈবা রাস্ত্রপতি ভবনদা ঙসি মাওইষ্টকী ইরাংনা শোকহল্লবা ছাতিসগরগী বাস্তর লমদমদগী লাকপা মীওইশিংগা উন্নখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা রাস্ত্রপতিনা হায়-হিংশানা কৈদৌনুংদসু অচুম্বা, শান্তি, চাউখৎপা অমদি অফবা মায়কৈদা খক লাকপা ওইথোক্তে। মসিনা খুন্নাইদা অহোইনদুম অৱা চৈথেং কয়া পী। রাস্ত্রপতিনা লেফট ৱিং এক্সত্রিমিজশিংদা হিংশা থাদোকবা তকশিনবগা লোয়ননা সরকারনা মখোয়দা পীবা য়াবা মতেংশিং পাদুনা য়ান্নদবা পুমমক্কী ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনগনি হায়রি।

**নদ্দা ঃ** কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জগৎ প্রকাশ নদ্দানা হায়রি-এন.দি.এ সরকার লাকপদগী লৈবাক অসিদা হেন্না চাওখৎপা পুরকপা ঙমলে।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা শ্রী নদ্দানা হায়-সরকার অসিনা আয়ুসমান ভারত প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা য়োজনা হায়বা স্কিম অসি হৌদোকপদগী চহি ৭০ অমসুং মসিগী মথক্তা লৈবা অহলশিংদা চাউনা কান্নবা পীরি। স্কিম অসিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা সেনিয়র সিতিজন কোতি ৬ তা লুপা লাখ ৫ গী লেমা লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা হোৎনরি। হায়রিবা স্কিম অসি মথং থাদগী চৎনবা হৌরগনি।

মহাকা মখা তানা হায়-য়ু ৱিন পোর্তেল হাংদোকপদগী মীরোনবী নুপী অমসুং অঙাংশিংদা ভেক্সিনেসন সার্ভিস দিজিতেলগী খুত্থাংদা পীবা ঙমলে। শ্রী নদ্দানা হায়-ভারত্তা লৈরিবা হেলথ ইন্সটিট্যুট অমসুং এইমস হোস্পিতাল ১৫ দা দ্রোন সার্ভিস হাংদোকবা শেম শারে। মেদিকেল কলেজ অমসুং এম.বি.বি.এস অমসুং পি.জিগী সিট হেনগৎপনা লৈবাক অসিদা ডোক্তর মরাং কায়না লৈহনবা ঙম্লগনি হায়না মহাকা ফোংদোকখি।